# ভমগী মচিন-মনাওনা বিটবর্জর ওপনগী মেন'স সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

## রুথভিকা শিভানিনা মায়থীদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে



সার্ব্রুকেন (জর্মনি), নভেম্বর ০৪ :
ভমগী মচিন-মনাও, সৌরভ অমদি সমীরনা মফম অসিদা চঠরিবা য়ু এস দি ১২০,০০০ বিটবর্জর ওপন গ্রান্দ প্রী গোল্ড বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টকী মেন'স সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা মখোয় মখোয়গী মায়োক্নখিবা ওপোনেন্টশিংবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

সৌরভনা ইন্দোনেসিয়াগী তরুকশুবা সীদ ইসান মৌলানা মুষ্টোফাবু ২১-১১, ২২-২০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। অদুগা ১২শুবা সীদ সমীরনা স্কোটলেন্দগী কিরন মেরিলীসপু অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা ২১-১৭, ২১-১৭ তা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

হন্দক্তা চাইনিজ টাইপৈ ওপনগী টাইটল লৌখিবা সৌরভনা মথংগী রাউন্দদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ৱর্ল্ড নম্বর ১৩ দা লৈরিবা জর্মনিগী মার্ক জৱিব্লরগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি অদুগা সমীরনা মথংগী রাউন্দদদা য়ুক্রেনগী অর্টেম পোচটারোভকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

মিক্স দবলসতা প্রাজক্তা সৱান্ট অমদি মহাক্কী মালেসিয়ন পার্টনর য়োগেন্দ্রন কৃষ্ণননা মালেসিয়াগী মরিশুবা সীদেদ কিয়ন মেং টান অমদি পৈ জিং লাইগী মখুৎতা ১৫-২১, ১১-২১ দা মায়থীহৌখি।

অহানবা গেমদা সৌরভনা অথিংবা অমত্তা মায়োক্নবা তৌদনা তপ্পপ্না শান্নরকখিদুনা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু অনীশুবা গেমদদি অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। ইন্দোনেসিয়ানা অকনবা চেল্লেঞ্জ তৌদুনা শান্নরকখিদুনা ১৩-৯ দা অহানবা ষ্টেজদা মাঙজিল থাখি। ইসান্না মখা তানা খুৎ হল্লকখিদুনা ১৭-১৬ তা লৈখ্রবসু সৌরভনা অরোইবদা মায় পাকপা ঙমখি।

মহাক্কী মনাওনুপা সমীরনা ওপনিং গেমদা ৭-৫ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু কিরনসু অঙন্বা শক্তি পুথোক্তুনা শান্নখি। ইন্দিয়ননা অরোইবদা ১৩-১৩ দা চাং মান্ননা লৈখি অমদি মতুং তারকপদা তুং হন্না য়েংলমদনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা সমীরনা ৭-১০ অমদি ১৪-১৬ তা অকা-অকুম লৈখি অমদি নিংথিনা ওপোনেন্টকী মায়কৈদা খুৎ হনখিদুনা মায়োক্নখিবা লম্বাবু নক্মৎখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী রুথভিকা শিভানি গাদ্দেনা প্রী-ক্বার্টর ফাসনেল মেচতা চিনাগী হি বিংজিআওগী মখুৎতা ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীহৌখি।

গাদ্দেনা চাইনিজগী টোপ সীদেদ বিংজিআওগী মখুৎতা ১৬-২১, ১৩-২১ দা মায়থীখি।

পনবা য়াই, ঙরাং শান্নখিবা মেচতা সৌরভনা মহাক্কী চাইনিজ ওপোনেন্ট অমদি ১৪শুবা সীদেদ জু সোংগা ওপনিং গেমদা ৯-১৬ তা লৈরিঙৈ মতমদা সোংনা রিটয়ার্দ তৌখিবদগী অহুমশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি।

মহাক্কী নহা ওইরিবা মনাওনুপা অমদি ১২শুবা সীদেদ সামীরনা ফিনলেন্দগী ইটু হৈনোবু মিনিট ৩০ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ২১-১০, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা রুথভিকানা নেদরলেন্দসকী সোরায়া দি ভিচ ইজবার্জেনবু লোপ-সাইদেদ মেচ অদুদা ২১-১১, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীখি।

# নোভাক জোকোভিচ, এন্দি মরে, টোমাস ভার্দির্চ, মারিন সিলিকনা পেরিস মাষ্টর্সতা মায় পাক্না চঙশিল্লি





পেরিস, নভেম্বর ০৪ :
ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচনা মফম অসিদা চঠরিবা পেরিস মাষ্টর্সকী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা গ্রিগোর দিমিট্রোভপু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

রেকোর্দ ওইনা মরিরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা সার্বিয়ন অসিনা করিগুম্বা ফ্রেঞ্চ কেপিটেলদা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লবদি টোপ রেঙ্কিংদা লেঙদনা লৈবা ঙমগনি। জোকোভিচনা দিমিট্রোভপু ৪-৬, ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। জোকোভিচনা অহানবা সেটতা মহাক্কী সার্ভ অনীরক মাঙজখি অমদি অনীশুবদা সার্বনা নিংথিনা খুৎ হনখিদুনা মায়োক্নখিবা লম্বাবু নক্মৎনবা হোৎনখ্রবসু মায়থীখি। অনীশুবা অমদি অহুমশুব সেটতদি জোকোভিচনা কম্মান্দ তৌদুনা শান্নরকখিবনা মায় পাকপা ঙমখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অসিনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মাপনশুবা সীদ মারিন সিলিকক্কা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱানগী মফম তান্নরিবা এন্দি মরেনা ফ্রেঞ্চকী লুকাস পৌলেবু ৬-৩, ৬-০ দা মায়থীবা পীখি। স্কোট অসিনা মথংগী মেচতা চেক রিপব্লিক্কী তরেৎশুবা সীদ টোমাস কার্দির্চগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

ক্রোসিয়াগী টেনিস প্লেয়র মারিন সিলিকনা দেভিদ গোফিনবু ৬-৩, ৭-৬ (১১/৯) তা মায়থীবা পীদুনা লন্দনদা চৎলিবা থা অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে। কুমজা ২০১৪ গী য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন অসিনা চহী অসিদা গোফিনগী মখুৎতা অহুল্লক মায়থীখিবা অদু ঙরাংগী মায় পাকখিবা অদুনা লমনখুম্বা ওইনা থোকখি।

চেক রিপব্লিক্কী তরেৎশুবা সীদ টোমাস ভার্দির্চনা ফ্রেঞ্চমেন গিল্লেস সিমোনবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

কনাডাগী মরিশুবা সীদ মিলোস রাওনিকনা উরুগুৱেগী পাব্লো ক্যুভাসপু ৪-৬, ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মথংগী মেচতা লোকেল ফেভোরাইট জো-ফাইলফ্রাইদ সোঙ্গাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

পনবা য়াই, ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচনা পেরিস মাষ্টর্সকী য়ুমশকৈশা নুমীৎতা শান্নখিবা মেচতা লক্সম্বার্গকী গিল্লেস মুল্লরবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট সিক্সটিনদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা জোকোভিচনা মহাক্কী চয়োল ১২২ চূপ্পা টোপ রেঙ্কতা লৈরকখিবা অসি শাংদোকহন্নবগীদমক পেরিসকী ফাইনেল চঙবা মথৌ তারি অমদি মরেনা টোপ রেঙ্কতা লৈনবগীদমক সার্বকী মনাক নক্না চঙশিল্লিবনি।

অতোপ্পা সিঙ্গলস মেচ অমদা জপানগী কৈ নিশিকোরিনা সার্বিয়াগী ভিক্টর ট্রোইকিবু ৬-২, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি। লন্দনদা পাঙথোক্কদৌরিবা সিজন অসিগী অরোইবা ফাইনেলগীদমক মাঙজৌননা ক্বালিফাই ওইখ্রবা প্লেয়র তরুক্কী মনুংদা মঙাশুবা প্লেয়র ওইরিবা নিশিকোরিনা সার্ভ অসিবু অহানবা সেটতা য়াম্না লাকচনা নক্মৎখ্রবসু অনীশুবা সেটতদি অৱাবা ওইখি। অদুমকপু মহাক্না সেট অদু মায় পাকখি।

অহুমশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা স্বিস অমদি য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন ষ্টান ৱারিঙ্কানা জর্মনগী ক্বালিফাইয়র জান লেন্নার্দ ষ্ট্রুফকী মখুৎতা ৩-৬, ৭-৬ (৬), ৭-৬ (১) তা মায়থীদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

# কভিটোভা, ঝাং শুয়াই, সভিটোলিনানা এলিট ট্রোফি টুর্ণামেন্টকী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে





ঝুহাই (চিনা), নভেম্বর ০৪ :
অহুমশুবা-সীদেদ পেট্রা কভিটোভানা মফম অসিদা চঠরিবা দব্লিয়ু টি এ এলিট ট্রোফি টুর্ণামেন্টকী ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মেচতা চেক্কী কম্পেট্রিওট বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

কভিটোভানা এস তরেৎ কনখি অমদি ব্রিক পোইন্ট তরুক সেভ তৌখিদুনা মহাক্কী ওপোনেন্ট মাপনশুবা সীদেদপু নক্মৎখি। কভিটোভানা ষ্ট্রাইকোভাগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবদা ৭-১ দা মায় পাক্না চৎলিবনি।

ঝুহাইদা চঠরিবা টুর্ণামেন্ট অসি মমাঙ চয়োলদা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোকখিবা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবা প্লেয়র ১২ না শরুক য়াদুনা চঠবা টুর্ণামেন্টনি। টুর্ণামেন্ট অদুদা পুল মরি থোক্না খায়দোক্তুনা পুল অমমমদা প্লেয়র অহুম অহুম্না তামিন্নরি। গ্রুপকী ৱিন্নর ওইবশিংনা নোক আউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি।

কারোলিন গার্সিয়ানা টোপ সীদেদ জোহন্না কোন্টাগা লম্বা তৌদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা শান্নগনি।

অতোপ্পা মেচ অমদা চাইনিজগী ৱাইল্ড কার্দ ঝান-শুয়াইনা হঙ্গেরিগী টিমিয়া কাবোসপু ৭-৬(৭/২), ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

ঝাংনা হৌখিবা চহীদা চাইনিজগী টেনিস হোরোইন লি নাগী মরুমদা লৈদুনা শান্নরকখি অমদি কুমজা ২০১৫ গী সিজনদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখিদবদগী মহাক্কী রেঙ্কিংদা হায়থখিদুনা ১৮৬ শুবা মফমদা য়াম্না নেম্না লৈখি অমদি মশান্না অসিদগী রিটয়ার্দ তৌনবা ফাওবা খন্নবা লৈরুরবনি।

মশাগী চহী ২৭ শুরবী অসিনা চহী অসিগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অহানবা রাউন্দদা কুমজা ২০১৪ গী ফ্রেঞ্চ ওপনগী ফাইনেলিষ্ট সিমোন হালেপপু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা গ্রান্দ স্লাম মেইন ড্রোগী মায় পাকপা ওইখি। মদুদা মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি। মদুদগী মহাক্না ৱর্ল্ডগী রেঙ্কিংদা ২৮শুবা মফম ফাওবা কাখৎপা ঙমখি অমদি এলিট ট্রোফিগীদমক ৱাইল্ড কার্দ ফংখি।

ঝাংনা হায়খি, ঐনা টুর্ণামেন্ট অসিগী গেম মরি নৎত্রগা মঙা মায় পাক্নবগীদমক খনবা তৌদে মরমদি ঐগী মেচ মায় পাকপা পান্নখত্তনি। ঐনা চিনাদা শান্নবনা খুদিংমক্তা অফবা হায়বদু ওইরি। মসি ঝুহাইদা শান্নবা ঐগী অহানবনি। ঐনা মেচ অনী মায় পাত্তুনা সেমী ফাইনেলগীদমক নকশিল্লক্লি। ঐ তশেংনা নুংঙাইবা অমদি হরাউবা পোকই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা য়ুক্রেনগী মরিশুবা সীদ ইলিনা সভিটোলিনানা রসিয়াগী ইলেনা ভেসনিনাবু ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ফ্রেঞ্চকী কারোলিন গার্সিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসুরবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

# স্বিটজরলেন্দনা সিক্যুরিটিগী ফীভম য়েংলগা টর্কিগী য়ুঠ ওলেম্পিক্তা শরুক য়াররোই

বার্ন, নভেম্বর ০৪ :
সিক্যুরিটিগী লৈতাদবা ফীভম লৈবদগী টর্কিদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুরোপিয়ন ওলেম্পিক য়ুঠ ফেষ্টিভেলদা স্বিটজরলেন্দগী এথলেটশিং থাদনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

স্বিস ওলেম্পিক কম্মিটিনা হায়, লাক্লিবা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১১ দগী ১৪ ফাওবা ইর্জুরুমদা পাঙথোক্কদৌরিবা বাইনিয়েল মল্টি-স্পোর্ট ইভেন্টদা দেলিগেসন থাবা হায়বসি অরুবা ওইরি। টর্কিদা ওইরিবা পোলিটিকেলগী ওইবা টেন্সন অমদি য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাক সিরিয়া অমদি ইরাগতা আমর্দ কনফ্লিক্ট থোক্লি হায়বা ৱাফম কম্মিটিনা থমখি।

স্বিসকী ফোরেন এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিনা মী কুংনা লৈবা মফম অমদি টর্কিগী ইষ্টর্ন অমদি সাউথ-ইষ্টর্নদা চত্তনবা চেকশিন ৱা থল্লি। স্বিসকী চহী ১৪ দগী ১৮ ফাওবদা লৈবা এথলেট ৪০ না শাবা টিম অমনা এলপাইন অমদি নোর্দিক স্কিং, স্নোবোর্দ, ফিগর স্কেটিং অমদি আইস হোকিদা শরুক য়ানবা থৌরাং তৌরম্বনি। মসিদা মশিং চপ মান্নবা সপোর্ট ষ্টাফসু শরুক য়ানবা থৌরাংলমখি। ওইরিবা ফীভম অদুদা স্বিসনা মখোয় টিমবু শরুক য়াদনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

ওষ্ট্রিয়াগী ওলেম্পিক কম্মিটিনসু টর্কিদা থোক্লিবা পোলিটিকেলগী ওইবা লৈতাদবা ফীভমনা মরম ওইদুনা ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াদনবা ৱারেপ লৌখি।

# ফোরেনগী টোপ প্লেয়রশিং শরুক য়ারগনি

ন্যু দেল্লি, নভেম্বর ০৪ :
লাক্লিবা দিসেম্বর থা অমা চূপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা প্রো রেষ্টলিং লীগ (পি দব্লিয়ু এল) কী অনীশুবা এদিসনদা মমাঙগী এদিসনগা খেন্নবা মওংদা য়াল্লবা ফোরেনগী প্লেয়রশিং শরুক য়ারগনি।

অনীশুবা এদিসনগী প্রো রেষ্টলিং লীগকী মায়খুম ঙসি হাংদোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী সক্সি মালিক য়াওনা মশক নাইরবা মালেমগী রেষ্টলরশিংনা মখোয়-মখোয়গী ফিজোলশিং শেত্তুনা মীয়াম মমাঙদা ৱাল্ক চত্তুনা উৎখি।

রিও ওলেম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সক্সি মালিকনা প্রো রেষ্টলিং লীগ অসিনা মহাকপু টোপ রেষ্টলর অমা ওইরক্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংখি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অনীশুবা এদিসনগী লীগ অসিদা শরুক য়ারনবা মাঙদা মিৎয়েং থল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

লীগ অসিদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা অমদি হৈথোই-শিংথোইরবা রেষ্টলরশিংনা মালেমগী টোপ রেষ্টলশিংগা মায়োক্নদুনা শান্নবগী খুদোংচাবা ফংবতা নত্তনা মখোয়গী গেমগী হৈথোই-শিংথোইবসু অমুক্না হেন্না হেনগৎহল্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রো রেষ্টলিং লীগতা শরুক য়ানবগীদমক কনফার্ম তৌরবা গ্রেপ্লরশিংগী মনুংদা ওলেম্পিক মেদলিষ্ট য়োগেশ্বর দত্ত, স্বিদেনগী সোফিয়া মাটসন, অজরবাইজানগী মারিয়া ষ্টাদনিকক্কা লোয়ননা কম্মন ৱেল্ঠ গেমসকী মেদলিষ্ট য়ানা রাট্রিগান, গীতা ফোগট, ববিতা কুমারিসু শরুক য়াগনি অমদি মখোয়না ঙসিগী মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম অদুদা মীয়াম মমাঙদা মখোয়গী ড্রেসশিং শেত্তুনা উৎখি।

# ইন্দিয়াগী কবাদ্দি ৱর্ল্ড কপকী প্লেয়রশিংদা লুপা লাখ ১০/১০ গী শেলগী মনা পীরগনি : স্পোর্টর্স মিনিষ্টর



ন্যু দেল্লি, নভেম্বর ০৪ :
অনুপ কুমারনা লুচিংবা ইন্দিয়ন কবাদ্দি টিমনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা কবাদ্দি ৱর্ল্ড কপকী টাইটল লৌখিবা অদুবু থাগৎলদুনা স্পোর্টর্স মিনিষ্ট্রিনা শান্নরোয়শিংদা লুপা লাখ ১০/১০ গী শেনফম মনা ওইনা পীরগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা শগোলশেল নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

কবাদ্দি ৱর্ল্ড কপকী টাইটল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংবু ওকপগী থৌরমদা স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিজয় গোয়েলনা শেলগী মনা অদু লাউথোক্লদুনা কবাদ্দি মশান্না অসি ওলেম্পিক্সকী মনুং চলহন্নবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াই, ইন্দিয়ানা য়ুম্ন ওইদুনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা কবাদ্দি ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা ইরানবু পোইন্ট ৩৮-২৯ দা মায়থীবা পীদুনা অহুল্লকশুবা ওইনা টাইটল লৌখিবনি।

মিনিষ্টর ভিজয় গোয়েলনা হায়খি, শান্নরোয় খুদিংমক্তা লুপা লাখ ১০/১০ গী শেনফম মনা ওইনা পীগনি অমদি কোচসু শেলগী মনা পীগনি। লৈবাক অসিদগী হৌদোকখিবা মশান্না অসি ওলেম্পিক্স গেমসকী মনুং চলহন্নবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি। ক্রিকেটখক্তগী নত্তবদা ফুটবোল, হোকি অমদি অতোপ্পা মশান্নশিংসু চাউখৎহনবা হায়বসি তঙাই ফদে হায়না ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়খি, কুমজা ২০২০, ২০২৪ অমদি ২০২৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসগীদমক হৌজিক্তগী হৌনা শেম-শানবগী থবক পায়খৎলগনি। মশাগী চহী নিপানশুরবা মতীং থোক্লবা অঙাংশিংবু খনগৎতুনা ট্রেনিং পীবা পাম্মী। মরম অদুনা মীয়াম্না অসিগুম্বা মতীক মথৌনা লৈরবা অঙাংশিংগী অকূপ্পা মরোল অমদি ভিদিওশিং স্পোর্টস পোর্টেলদা থাগৎতুনা লোকেল এস এ আই সেন্টরশিংনা করম্বা অঙাংশিংবু ৱার্ল্ড ক্লাস ট্রেনিং পীবদা মতীক চাগদগে হায়বদু খনে দাকপদা মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন টিমগী কেপ্টেন অনুপ কুমারনা হায়খি, মপান লমগী শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়াগী কবাদ্দি লীগতা শরুক য়ারকপদগী মখোয়গী থাক ৱাখৎলক্লে অমদি অতোপ্পা টিমগা লম্বানরকপদা চাউনা শিংনবা ওইরক্লে। অদুবু মশান্না অসি ঐখোয়দি পীক্লি ঙৈদগী শান্নবা হৌরক্লবনা ঐখোয়দা হেন্না চুশিন্নবা হায়বদু থোক্লি। ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্টরনেসনেল টিম মশিং য়াম্না শরুক য়ারবনা মশান্না অসি ওলেম্পিক্সতা য়াওহন্নবা হোৎনবদা অঙন্বা দাইত্ব লৌগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

TOP-10 PRODUCTION CENTRE
HURRY!
Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Near Hueiyen Lanpao Press
ADMISSION OPEN
1. Special Foundation Course for Class-IX & X (BOSEM)
Duration : 4 months Fee : Rs. 10,500/- (all subject)
Timing : 4:40 am. - 8:00 am. (For Class - IX) & 4:10 pm. - 8:20 pm. (For Class - X)
2. Special Revision Course for Class-X (BOSEM)
Duration : 2 months Fee : Rs. 5,500/- (all subject), Timing : 3:00 pm - 8:00 pm.
Subjects : English, Maths, Sc., S.Sc., Man
Class starts : 5th December, 2016
Last date : 20th November, 2016
25 Students per batch
Minimum fee with instalment basis
Every student can choose subjects seperately.
- Conducted by well qualified 20 yrs. experienced Teachers and Examiners.
- Suggestion for HSLC Exam 2017.
- Chapter wise Assessment, free study materials.
- Previous Year questions analysis.
- Regular Mock Test on every sunday.
VAN SERVICE AVAILABLE
For more details, Pliz call ☎ 8794523940 / 9615049496
HL-P/10434/3-17 Nov.

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - REVISION COURSE FOR CLASS X Starts: 5th Dec. 2016 Time : 11 am - 4 pm
Foundation Course for Class I to X Starts: 15th Dec. 2016 Limited Seat
1st Position (2016)
Sohana Laishram



I feel a heavenly delight in achieving such a wonderful feat. I sincerely thank Angels' Coaching Centre for their constant guidance and support. The study materials they provided and the frequent mock tests were of immense help to me. No doubt, Angels' Coaching Centre is an unparalled coaching centre in Manipur.
— Sohana Laishram
BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
9856988840
9402897710
8732022342
3rd Position (2016)
M. Vasundhara



My achievements uptil this stage of my life would not have been possible without the support of my teachers. And, I would, especially, like to thank the faculty of the Angels' Coaching Centre. Had it not been for their support and encouragement, I would never have made it thus far. Angels' is a wonderful institute and it is an honour to have been under the guidance of such wonderful teachers.
- Maibam Vasundhara.
HL-B/3446/4/11-3/12

ADVANCED COACHING INSTITUTE Regd. No.-729
Only25 Seats per class(each section)
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
Max. no. of selection every year in min. no. of intakes
REGULAR MEDICAL COURSE (2017)
ENGINEERING (2017) FOUNDATION
The Largest, Trusted&Premier Coaching Institute, Imphal in both Sc.&Arts
COHSEM
Sc. & ARTS
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE X & XII
TIME 4.40-7.40AM 4.40-7.40PM
ARTS & Sc.
CBSE
Class xii Sc./Arts(COSEM) from 7th Nov ,10th Nov.
Class xii Sc./Arts(CBSE) from 27th Oct,3rd Nov
Class x-SA II from 27th Oct,3rd Nov
Foundation course for class ix,x started from 8th ,15th Dec
only 50 seats for two sections , Remaining few seats- Last date :23rd November.
Fee concession for merit students, ex-students,OBCs,ST,SC,distance students
Separated boys,girls hostel,van servicelibrary facility #7308911167/9862992105
Time: 9.30am-1.30pm 12.30pm-4.30pm
HL-B/3319/14-30 Sep.&1, 3, 5 Nov.